# নেশনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী খো-খো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):** খো-খো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী হৌরগা ২৯ ফাওবা য়ুপিগী মহারানী অহিলয়াভাই হোল্ক স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৩রক শুবা জুনিয়র নেশনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় অমদি টিম ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর খো-খো টিম লমথাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম মধুসুদোননা ফোঙদোকখিবদা, খো-খো মশান্না অসি ইন্দিয়াদা মপূং ফানা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মণিপুরদসু মশান্না অসি য়াম্না পাম্না শান্নরক্লিবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমা ওইরক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা নুপা অমদি নুপী টিমগী শান্নরোয়শিংনা টিম কোচ অমদি মেনেজরগী লমজিং-লমতাক মখাদা ফজনা শান্নদুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক মণিপুরদগী নুপা অমসুং নুপী টিম অনীমক মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা নুমিৎ ২০নি ট্রেনিং অমদি কোচিং পীরবা মতুংদা শরুক য়ানবগীদমক থাবনি। ঙসি মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্প অদুদা মপূং ফানা মতেং পীরকখিবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খূদিংমক্কসু য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনখি। কোচিং মনুংদা শান্নরোয়শিংনা হোৎনখিবা অদুগী য়েংলুরগদি টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা টিম অদুবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা অমদি মায় পাক্নবা য়াইফ থৌজালশিংসু পীখি।

অমরোমদা, ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা এস সী ঈ এ এস দি ওগী এস পূন্সিবা, কে ঐচ রাকেশ, কে ঐচ সচিন, সী ঐচ রোক্সন মরিং, এ এস কে কে এগী কে সনাথোই, বি এ এস য়ুগী টি ঐচ প্রেমচান্দ, এল লনচেনবা মৈতৈ, এস এ দি এগী কে ঐচ মালেমঙানবা, এম থৌওম্বা মৈতৈ, পি আর এস সীগী এন ধনঞ্জয় মৈতৈ, আই পুনেলাকপা, পি কে দি সীগী ও কে আর্জুন, এ এল কে কে এগী খূষ্ট চিংসুবম, কে ৱাই এল এমগী রঞ্জন অমকচম অমসুং এস ঈ এল দি ৱাই সীগী পি ঐচ নুংশিবনি।

নুপীগীদা য়াওরিবশিংনা পি আর এস সীগী এন ইলি, এন মিরিতা চনু, পি ঐচ লমঙানবী, এন নুশিতা, এস সী ঈ এ এস দিওগী টি ঐচ দাইনা, এন ইবেমণি চনু, এস ঈ এন দি ৱাই সীগী এল অলিবিনা, টি অনুপমা, বি এ এস য়ুগী এন লক্সমী, এন য়াইফবী, এন করুনা, এ এল কে কে এগী এ সনাথোই, এস এ দি এগী এন মোনালিসা, পিমেশ্বরী চনু এন, এ এস কে কে এগী টি ঐচ জিয়ানি।

ওফিসল ওইনা য়াওরিবশিংনা মেনেজরশিংদা ৱাই শরত, কে ঐচ রেবিতা, কোচ ওইনা কে ঐচ ব্রজ কুমার, কে ঐচ মেমতোম্বী অদুগা টেক্নিকেল ওফিসলশিং ওইনা কে ঐচ ইমো অমসুং টি ঐচ বিমোলনি।

# ঙসিদগী লীগ মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি

**ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা হয়েংদগী হৌরগা চহী ১২দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা অনীরকশুবা য়ুথ ফুটবোল লীগ ২০২৪গী মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি হায়না দি এস এ ককচীংগী চেরোল অমনা হায়রি।


চেরোল অসিগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল লীগ অসিদা পূন্না টিম ৭না লম্বা তৌনগনি। শরুক য়ারিবা টিমশিংদি সেনা এথলিট ওর্গনাইজেশন (এস এ ও) ককচীং, লাইফম য়ুথ এসোসিএশন (এল ৱাই এ) ৱাঙু, য়ুথ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীং, ককচীং ফুটবোল ক্লব (কে এফ সী), জুভেনাইল এসোসিএশন (জে এ) ককচীং, সাউথ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস ঈ এস য়ু) ককচীং অমসুং ওল ককচীং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএশন (এ কে এস এ)নি।

হয়েং লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা এ কে এস এ অমসুং জে এ, নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস এ ও অমসুং কে এফ সী অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদনা এল ৱাই এ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু য়ুগী মরক্তা অথোই-অহেন লম্বা তৌনগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।







# আই এস এল : নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদনা পঞ্জাব এফ সী থোইখ্রে



**ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক চথুরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল)গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদনা পঞ্জাব এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

ন্যু দেল্লীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পঞ্জাব এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু হৈ-শিংলবা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা ফজরবা কাউন্টর এটেকশিং চথুবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১৫ অমসুং ১৮ শুবা মিনটতা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদকী গুইলর্মো ফর্নান্দেজ অমসুং নেষ্টর অলভিয়াকনা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পঞ্জাব এফ সীদগী পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৮৮শুবা মিনটতা পঞ্জাব এফ সীগী ইভান নোভোসেলেকনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1315**

**GM Marin Bosiocic (2625) - GM Mikhail Kobalia (2614)**
**Euro Online +2300 Final chess.com INT (6), 2020.05.30**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Bf4 c5 | 3.e3 Nc6 | 4.Nc3 cxd4 |
| 5.exd4 a6 | 6.Bd3 Nf6 | 7.Nge2 Bg4 | 8.f3 Bh5 |
| 9.Qd2 Bg6 | 10.Nd1 Bxd3 | 11.Qxd3 e6 | 12.c3 Bd6 |
| 13.Bg5 O-O | 14.O-O b5 | 15.f4 b4 | 16.Ne3 bxc3 |
| 17.bxc3 Be7 | 18.Bxf6 Bxf6 | 19.Ng4 h5 | 20.Ne5 Qc7 |
| 21.Rf3 Ne7 | 22.Rh3 g6 | 23.Ng3 h4 | 24.Ne2 Nf5 |
| 25.g4 hxg3 | 26.hxg3 Kg7 | 27.g4 Nd6 | 28.Kg2 Rh8 |
| 29.Rah1 Ne4 | 30.Qf3 Qb7 | 31.g5 Bxe5 | 32.fxe5 Rag8 |
| 33.c4 Qb2 | 34. … | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1314 Solution :**

**49. …e2 50.Kf2 Qf8+ 51.Kxe2 Bh5+** With a discovered attack by the black queen on White's queen. The black bishop moves out of the pin by White's queen against Black's queen. **52.g4 Qxc8**
**0-1**



Title : Scenery
By : Areinu Maibam
Class : I Roll No. : 49 Sec : Marigold
School : SL Arena of Learning



Title : Doraemon & Pineapple
By : Tokpam Dheeraj Meitei
Class : I Roll No. : 8 Sec. : A
School : Konsam Tomba and Sachi School



Title : A House
By : Khwairakpam Gistin Mangang
Class : II Roll No. : Sec. :
School : Mangal Kids School, Ningthoukhong



Title : Harry & her toy
By : Hensana Haobijam
Class : III Roll No. : Sec. : B
School : Little Flower School



Title : A Bird
By : Henthoiba Takhellambam
Class : Nursery Roll No. : 44 Sec. : A
School : RB Academy, Lamsang



Title : Parrot
By : Ksh. Jastin
Class : II Roll No. : 11 Sec. : A
School : M.S. Global Academy, Thoubal Haokha




Title : Scenery
By : Joychandra
Class : III Roll No. : 70 Sec. :
School : KVS




Title : Kite
By : Lamjingba Luwang
Class : KG Roll No. : 42 Sec :
School : M.S. Global Academy, Thoubal Haokha



Title : SU Tank
By : Leonce Moirangthemcha
Class: III Roll No. : 61 Sec. : G-3
School : R.M. School



Title : A Scenery
By : Meiya Benu
Class : IV Roll No. : Sec. :
School :



Title : Parrot
By : Ksh. Munish
Class : II Roll No. : 13 Sec. : A
School : M.S. Global Academy, Thoubal Haokha



Title : Tarzan Car
By : Khwairakpam Ningthemba
Class : KG Roll No. : Sec. :
School : Mangal Kids School, Ningthoukhong



Title : Ema Ware Echasa
By : Th. Paikhomba
Class : IV Roll No. : 25 Sec. : B
School : Christ Jyoti School



Title : Harry Potter and friends
By : Khwairakpam Pandamva
Class : II Roll No. : Sec. :
School : Mangal Kids School, Ningthoukhong



Title : A Scenery
By : Yaiphabi Wangkhem
Class : III Roll No. : 14 Sec. : A
School : Regular English High School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com